# নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল থুগাইনবা জপাননা মিলিটরিদা ওর্দর তৌখ্রে

টোকিয়ো, জন্যুৱারী ২৯ ঃ

নোর্থ কোরিয়ানা কাপ্লকপা মিসাইল খুদিংমক থুগাইনবা শেম শানবা জপাননা মসিগী মিলিটরিদা ওর্দর তৌখ্রে হায়না লোকেল মিদিয়াগী রিপোর্টশিংনা ঙসি ফোঙদোক্লি। পিয়োংয়াংনা অশানবা রোকেট অমা কাপ্লবা থৌরাংলি হায়বগী ৱাহৌদা নুংনাংবা পোক্লরকপগা ইরোয়ননা জপাননা লৈবাক অসিদা কিহল্লিবা নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইলশিং থুগাইনবা মিলিটরিদা খঙহনখিবনি।

পিয়োংয়াংগী মরুওইবা সেটলাইট কমপ্লেক্সতা চথবা চিংননিংঙাই ওইবা থবক খরনা শাংলবদা চয়োল অমগী মতমগী মনুংদা অশানবা মিসাইল অমা কাপ্লবা থৌরাং তৌরি হায়বসি খঙলে হায়বা রিপোর্ট খরগী মতুংদা দিফেন্স মিনিষ্টর জেনরেল নাকাটামিনা ওর্দর অদু থোকখিবনি হায়না নিক্কে দেলি অমসুং কিয়োদো ন্যুজনা ফোঙদোকখি।

এ এফ পিনা কন্টেক্ট তৌবা মতমদা জপানিজ দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন অমনা রিপোর্ট অদু কনফর্ম তৌ য়াখিদে শুপ্নগী অদুম তৌরবদি "ঐখোয়গী লাল্লোং ফোঙদোকপা" ওইনা থোক্কনি হায়খি।

"তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না লৈবাক কয়াগা শিন্দোক শিঞ্জিন তৌনদুনা অমসুং ঈ-পাউ খোমদুনা নোর্থ কোরিয়ানা মিসাইল থাগৎলকপদা পাউখুম পীননবা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং-খুদিংমক লৌখৎলে" হায়না মহাক্না মখা তাখি।

নোর্থ কোরিয়া অসি য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোলুসনশিংনা বেলিষ্টিক মিসাইল টেক্নোলোজি শীজিন্নবদা অথিংবা থল্লিবা লৈবাকনি, মরম অদুনা খ্বাইদগী ইনৌ নৌবা ন্যুক্লিয়র খুৎলাইগী চাংয়েং পাঙথোকখিবা চয়োল খরখত্তা ঙাইরিঙৈ মতমসিদা অশানবা মিসাইল অমা অমুক কাপ্পা তারবদি মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা মখা তানা টেন্সন হেনগৎহনগনি হায়রি।

পিয়োংয়াংনা কুমজা ২০১৩ দগী হৌনা খরা চাউখৎপা অমসুং শানবা রোকেটশিং থাগৎপা য়ানবা মওংদা অপগ্রেদ তৌরক্লিবা নোর্থ কোরিয়াগী সোহা সেটলাইট কমপ্লেক্সতা থবক খরা পায়খৎলি হায়বসি ঙসি য়ু এসকী দিফেন্স ওফিসলশিংনা এ এফ পিদা কনফর্ম তৌখ্রে। সেটলাইট ইমেজশিংনা সোহাদা থবক খরা কন্না পায়খৎপগী শক্তমশিং উৎলকপদগী মথং চয়োলগী অঙনবা ফাওবগী মনুংদা অশানবা রোকেট অমা থাগৎনবা থৌরাং তৌরম্বা য়াই হায়না চিংনবা পোকহনবগা পাউশিং জপানগী কিয়োদো ন্যুজনা ফোঙলকখ্রবা মতুংদা সেক্সন কয়াদগী কম্মেন্টশিং লাকখিবনি।

জপানগী ফোরেন মিনিষ্টর ফুমিও কিসিদানা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিগসু টেলিফোনদা নোর্থ কোরিয়ানা রোকেট চাংয়েং তৌরকপা য়াবগী মতাংদা ৱারী শানখি।

নোর্থ কোরিয়ানা কাইহৌবগী থবক মখা তানা লৌখৎলকপা য়াই হায়বসিদা ঐখোয়না থাজদবা য়ানিংদবা লৈতে হায়না কিসিদানা পাউমীশিংদা হায়খি। মহাক অমসুং কেরিনা হৌজিক্তগী হৌনা করম্না কোওপরেসন পীনগদগে হায়বগী মতাংদা ঈ-পাউ ফাওনরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

জপাননা কুমজা ২০১২ দা লৈমায়দগী নোংথক্তা কাপ্পা মিসাইলগী দিফেন্স সিষ্টেমশিং দিপ্লোই তৌখি। চহীসিমক্তদা নোর্থ কোরিয়ানা মসিগী য়ুনহা-থ্রি কেরিয়র শীজিন্নদুনা সেটলাইট অমা ওর্বিটতা থমখি।

পিয়োংয়াংনা মদু থাঙ্গৈশেংবা সাইন্টফিক ওপরেসন অমনি হায়না ফোঙদোকচখ্রবসু মালেমগী লৈবাকশিংনদি মদু বেলিষ্টিক মিসাইলগী চাংয়েং অমনি হায়রদুনা কন্দেম তৌখি অমসুং মদুনা মরম ওইদুনা য়ু এনগী অথিংবশিং খুৎপায় হেন্না চেৎলকখি।

# ঙসিদগী সিরিয়াগী পিছ তোক্স হৌরগনি

জিজেভা, জন্যুৱারী ২৯ ঃ

নুমিৎ কয়ানি চোম্থরক্লবা মতুংদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা লমজীংদুনা পাঙথোক্কদবা সিরিয়াগী পিছ তোক্স ইরাইনুমিৎতগী হৌরগনি হায়না য়ু এনগী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

"ৱারী শানবগী মতাংদা ঐহাক্না হায়বা ঙম্বদি হান্না থৌরাং তৌখিবগুম ইরাই নুমিৎতগী মখোয়না ৱারী শানবা হৌরগনি। করম্বা পুংফমদা অমসুং চপ চাবা করম্বা মফমদা ৱারী শানগদগে হায়বদি খঙদে হায়না য়ু এনগী স্পোক্সমেন অহমদ ফাওজিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

অনৌবা পিছ তোক্স রাউন্দ অমা চথনবা শেম শাখিবগা লোয়ননা য়ু এনগী অখন্নবা সিরিয়া পাউখোল্লোইনা লৈবাক অসিগী (সিরিয়াগী) মীয়ামদা ফোঙদোক্লিংলিবদু খোঞ্জেল হৌনা ফোঙদোকহৌরো" হায়বা পাউজেল অমা থাখি।

"নখোয়না কনফরেন্স কয়া উখ্রে, অনীদি পাঙথোকপা লোইখ্রে, মসিমদি মায় পাক্তবা তৌরোই" হায়না ঙরাং য়ুনাইটেদ নেসন্সনা থাদোকখিবা ভিদিও অমদা অখন্নবা পাউখোল্লোই ষ্টাফান দে মষ্টারানা হায়খি।

হয়েংদগী জিনেভাদা সিরিয়াগী পিছ তোক্স হৌগনি হায়না লেপচরবসু মদুদা অমব্রেলা ওপোজিসন গ্রুপনা শরুক য়াবগী ৱাফমদা চমম্নবা পোকহনবা রিপোর্ট কয়া ফোঙনরকখি।

পিছ তোক্স অদুগা নকশিন্নবা ছোর্স অমনা ঙরাং ফোঙদোকখিবা অমদা সিরিয়াগী পিলিটিকেল ওপোজিসন গ্রুপশিং য়াওবা হাই নিগোসিয়েসন কম্মিটি অদু থেংলবসু থেংনা জিনেভাদা থুংলরগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়খি।

মমাঙদা ৱারী শানবগী নোলেজ লৈবা ছোর্স অমনা ওপোজিসন হাই নিগোসিয়েসন কম্মিটিগী মীহুৎশিং ইরাই নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা জিনেভাদা য়ৌরক্লোই হায়খিবনি। সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাশর অল অসাদকী রেজিমনা মফম কয়া লাম্নীবু কোয়শিন্দুনা থল্লিবদু থাদোকপগা লোয়ননা মীচমশিংদা বোম থাদবা লেপত্রবদি ৱারী শানবদু বোইকোট তৌগনি হায়না ঐচএন সীনা কিহনখিবনি।



# মাইগ্রেন্ট ক্রাইসিস : মাইগ্রেন্টশিংবু টর্কিদা থাজিনখিনবগী ৱাফম দটচনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা হৌদোকখ্রে

ব্রুসেলস/হেগ, জন্যুৱারী ২৯ ঃ

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লৈবাকশিংদা মাইগ্রেন্টশিংনা হনবা লৈতনা চঙশিল্লক্লিবদু লেপহন্নবা গ্রীসতা থুংলরবা মাইগ্রেন্টশিংবু পন্থবা তৌদনা টর্কিদা হোন্দোকখিনবগী আইদিয়া অমা ঙরাং নেদরলেন্দসনা পুথোকখ্রে। লৈনবা চঙজফম পীবা য়ারোইদবা মাইগ্রেন্টশিংগী মশীং হেনগৎলক্লে হায়না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লিঙৈ তাল্লক্তা টর্কিনা মাইগ্রেন্টশিংবু অমুক থাজিনখিনবগী ৱাফম অসি হৌদোরকখিবনি।

লৈবাক ২৮ না শেম্বা ব্লোক অসিনা মিদ্দল ইষ্ট অমসুং অফ্রিকাদগী লাকপা য়ুরোপতা লৈফম পীয়ু হায়বা মশীং য়াল্লবা মীশিং লাকশিনবা ঙমখিদরে। হৌখিবা চহীদা মীওই মিলিয়ন অমা হেন্না য়ুরোপতা থুংলখি। মখোয় অয়াম্বনা গ্রীস ফাওরগা লাকখি অমসুং য়ুরোপকী খ্বাইদগী শেল-থুম পায়বা অমসুং শেন্থোক লৈবা লৈবাক ওইরিবা জর্মনি পাংলকখি। গ্রীস ফাওরকখিবা মীওই ৫০,৬৬৮ য়াওনা চহী অসিদা মীওই ৫৪,৫০০ হেন্না ঈশিংগী লম্বী শীজিন্নদুনা য়ুরোপ য়ৌরকখি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্স রেফ্যুজী এজেন্সী (য়ু এন ঐচ সী আর) না ফোঙদোক্লি।

ঈংখ্রবা নিংথম থাগী নুংশিৎ মরক্তা মখোয়না নোং-চীংগী ফীভমগা অমত্তা খন্নবা চঙদনা লাল নংলবা মখোয়গী লৈবাকশিংদগী য়ুরোপতা চয়োম শানা লাকপা লেপত্রি। খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা ঈথক-ঈপোমনা থল্লবা ঈশিংগী ঈপাক্তা মখোয়না য়ুরোপতা লাক্লিবদু কয়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবগে হায়বসি য়ু এন ঐচ সী আরগী রিপোর্ট অমনা হাইলাইট তৌরি। রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না, চৎলিবা চহী অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবগী তেল্লবা মতম অসিদা মাইগ্রেন্ট ২৩৫ শিখ্রে নৎত্রগা থিবা খঙখিদ্রে। ঙরাংসু টর্কিশ কোষ্টকী মনাক্তা লৈবা গ্রীক্কী ঈথৎ অমগী মনাক্কী ঈশিংদা হি অমা লাকশিনখিদুনা মদুদা তোংলকপা মাইগ্রেন্ট ২৪ ঈরাক্লদুনা শিখি।

য়ুরোপতা চঙজফম লৌবা লাক্লিবশিংবু করম্না হেন্দল তৌগদগে হায়বগী মতাংদা ঈ য়ুনা মীৎয়েং থমদুনা খন্নরিবা ৱাফমদি মালেমগী ওইবা চৎন-পথাপকী মখাদা প্রোটেক্সন পীবীবা য়াই হায়না লৌনবা লাঞ্জেল্লকপা মীওইশিংবু শেল-থুমগী ওইনা খরা হেন্না ফবা তাংজফম থীবা খুদক্কী ওইনদি অকিবা মায়োক্নবা নৎতবা "ইকনমিক" মাইগ্রেন্টশিংদগী খন্দোক্নবা হোৎনবনি। "তশেংনমক থাঙ্গৈশেংনা মরম চানা চঙজফম থীবা নৎতবা য়ুরোপতা থুংলবা মীগী মশীং হেনগৎলক্লি হায়বা খঙলে হায়না ঙরাং য়ুরোরপিয়ন য়ুনিয়নগী স্পোক্সপার্সন অমনা রেগুল্যর ন্যুজ ব্রিফিং অমদা ফোঙদোকখি।

অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতুংদা থোকপা য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা মাইগ্রেসনগী ক্রাইসিসনা ঈ য়ুগী লৈবাকশিংবু চমম্নবা পোকহনখি। ক্রাইসিস অসিনা পাসপোর্ট পায়দনা লৈবাক্কী বোর্দরশিং লান্থোকপা য়াহল্লিবা ব্লোক অসিগী (ঈ য়ুগী) সেঙ্গেন জোনগী চৎনবীশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীখি।

মাইগ্রেন্টশিংবু য়ুরোপতা চয়োম শানা চঙবদা পুক্লিং থৌগৎতনবগী খ্বাইদগী নৌবা আইদিয়াদি দটচ রুলিং কোলিসনদা য়াওবা পার্টি অমগী মকোক্না । ঈশিং লম্বী শীজিন্নদুনা গ্রীস য়ৌরকখিবা মাইগ্রেন্টশিংবু টর্কিদা অমুক থাজিনখিনবগী থৌরাং অমা ড্রাফ্ট তৌরি হায়খিবসিনি।

# শুংদোক্ত্রিবা থাউ পুথোকপা হন্থহনবগী ৱাফম রসিয়ানা য়েংশিল্লি



সেন্ট পিটর্সবর্গ, জন্যুৱারী ২৯ ঃ

শুংদোক্ত্রিবা থাউ দরকার ওইবা চাংদগী হেন্না মরাং কায়না পুথোকপা হন্থহন্নবা অমসুং থাউগী মমল মালেমগী ওইনা হাইথখ্রিবসি খরা কাখৎহন্নবগী পান্দমদা হৌখিবা চহী ১০ হেনবমুক্কী মতমগী মনুংদা লৌখৎলকপা মালেমগী অহানবা থৌরাং অমা ওইনা ওপেক্না শুংদোক্ত্রিবা থাউ পুথোকপগী চাং চাদা ৫ ফাওবা ককথনবা থৌরাং তৌরিবসি য়েংশিল্লি হায়না রসিয়ানা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়াগী ইনর্জি মিনিষ্টর অলেগজেন্দর নোভাকনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসি থা খরগী মমাঙদা ওপেক (ওর্গনাইজেসন ওফ পেট্রোলিয়ম এক্সপোর্টিং কন্ট্রিজ)গী মেম্বর লৈবাকশিং ওইরিবা লৈবাক অনী ভেনিজুয়েলা অমসুং অলজেরিয়ানা হৌদোকখিবা ৱাফমগী মতাংদা নৎত্রগা ওপেক্কী লুচিংবা সাউদি অরাবিয়ানা শৌগৎপা অনৌবা ৱাফম অমগী মতাংদরা হায়বসি চপ চানা খঙবা ঙমখিদে।

সাউদি ওফিসলশিংনা প্রপোজেল অদুগী মতাংদা খুদক্তা কম্মেন্ট পীখিদে অমসুং মদু ভেনিজুয়েলা অমসুং অলজেরিয়ানা হৌদোরকপা ৱাফমনি হায়না গল্ফকী ওপেক দেলিগেট অমনা ফোঙদোকখি।

ওপেক্কী মেম্বর ওইদবা মালেমগী খ্বাইদগী হেন্না শুংদোক্ত্রিবা থাউ পুথোকপা লৈবাকশিংগী মনুংদা মাঙজিল থাবা লৈবাক অমা ওইরিবা রসিয়াগী ওইনদি থাউ পুথোকপগী চাং চাদা ৫ ককথবা হায়বসি নোংমদা বেরেল ৫০০,০০০ রোম ককথবা হায়বনি।

মালেমগী ওইনা শুংদোক্ত্রিবা থাউ দরকার ওইবা চাংদগী হেন্না পুথোক্লিবসি নোংমদা বেরেল মিলিয়ন অমমম্ হন্থনা পুথোকহনগদৌরিবা দিল অমা পুরকপগী ৱাখলদা বেঞ্চমার্ক ব্রেন্টনা থাউগী মমল চাদা ৮ ফাওবা হেনগৎহন্দুনা বেরেল অমদা দোল্লর ৩৬ রোম ওইহনখি। ব্রেন্টনা ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা বেরেল অমদা দোল্লর ৩৪ দা লেপ্পুনা য়োনখি। থাউ মরাং কায়না পুথোকপা লৈবাকশিংনা থাউগী মমল ৱাংহনবা পামই। মখোয়দদি থাউগী মমল শীংথাবা য়াবা চাংদা হন্থহনবা হায়বসি মখোয়গী নেসনেল বজেটশিং হন্থরক্তুনা পোলিটিকেলগী চরাংনবা, তংদু-লৈতাদবগী ফীভম লাক্লবগী অচৌবা মরমনি। লৈবাক খরদি মখোয়গী করেন্সিশিংগী ভেল্যু হন্থহনবা ফাওবা চঙখি। তশেংনমক হায়রবদা লৈবাক খুদিংমক্তা থাউ পুথোকপগী চাং চাদা ৫ ফাওবা হন্থনবগী ৱাফম খঙহনখ্রে হায়না নোভাকনা ফোঙদোকখি। সাউদি অরাবিয়ানা থাউ পুথোকপা হন্থনবগী ৱাফম অমা হৌদোরকখিব্রা হায়না হংবদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

রসিয়াগী ইনর্জি মিনিষ্টর অলেগজেন্দর নোভাকনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা গল্ফ ওপেক্কী সিনিয়র দেলিগেট অমনা ঙরাং হায়খি মদুদি, মালেমগী থাউগী কৈথেলদা তং তাবা ফীভম অমা লাকহন্নবা থবক পায়খৎপদা গল্ফকী ওপেক লৈবাকশিং অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা মরী লৈনবা খুদিংমক্কা কোওপরেসন পীনবা পাম্মী।

পনবা য়াবদি, রসিয়ানা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ওইল ফিল্ডশিংদি গল্ফতা লৈরিবা ওইল ফিল্ডশিংগা খেন্নে অমসুং থিংজিনবদা ৱাই হায়রদুনা শুংদোক্ত্রিবা থাউ পুথোকপগী চাং ককথবগী ৱাফম অসি মতম কুইনগী মমাঙদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি।

ভেটরান ওপেক ৱাটচর অমসুং য়ু এসতা বেজ তৌবা পিরা গ্রুপকী ফাউন্দর গেরি রোসনা হায়খি মদুদি, মালেমগী ওইনা শুংদোক্ত্রিবা থাউ পুথোকপগী চাং হন্থহনবগী ৱাফম অসি রসিয়ানা ওপেক্কী লৈবাকশিংগা য়ানদুনা থবক ওইনা পাঙথোক্কদবনি। হৌজিক খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি রসিয়ানা মসিবু থবক ওইনা পাঙথোকপদা লৈরে। লন্দন কেপিটেল গ্রুপকী এনালিষ্ট মকোক ভেন্দা কেল্লিনা থাউ পুথোকপগী চাং হন্থহনবগী ৱাফম অসি থবক ওইনা মায় পাক্কদবা মান্দে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# প্রসিদেন্ট রৌহানিগী ফ্রান্স খোঙচত্তা দিল কয়ামরুম সাইন তৌনখ্রে

পেরিস, জন্যুৱারী ২৯ ঃ

এয়রবস প্লেনশিং লৈবা-য়োনবা তৌনবা অমসুং চহী মশিং য়াল্লবা কার শাবগী ভেঞ্চর নৌনা অমুক হিঙ্গৎহনবা হায়বসি পুক্লিং থৌগৎনিঙাই ওইবা লৈবাক অসিগী মরী ফগৎলকপগী খুদমশিংনি হায়না জপান অমসুং ইরান্না ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎপগী ৱাফমশিং ফোঙদোক্ত্রিঙৈদা পেরিসতা প্রোটেষ্টরশিংনা হ্যুমেন রাইটসকী ৱাফমসু লৈবাক অনীগী লীদরশিংগী মীফমগী এজেন্দাদা য়াওহন্নবা দিমান্দ তৌখ্রে।

ইরানগী প্রসিদেন্ট হশন রৌহানিনা পেরিসতা চৎপা মহাক্কী ওফিসল খোঙচৎ অদুদা মিনিষ্টর কয়া অমসুং বিজিনেস লীদর কয়াসু লোয়নখি। ফ্রান্সকী কারমেকরশিং পি এস এ পিজো সিৱোন অমসুং ইরানগী খোদরোগী মরক্তা পায়খৎপা জোইন্ট ভেঞ্চর অমগা লোয়ননা ইরান্না চহী লিরক্লবা প্লেনগী ফ্লিট অপদেট তৌনবা এয়রবস পেসেঞ্জর প্লেন ১১৮ লৈনবগী দিলশিং ইরানিয়ন প্রসিদেন্ট রৌহানিগা লোয়নরকখিবা ইরানিয়ন ভিজিনেসমেনশিং অমসুং মিনিষ্টরশিংনা লাউথোকখি। প্রসিদেন্ট হশন রৌহানিগী ফ্রান্স খোঙচৎ অসি কুমজা ১৯৯৯ দগী হৌজিক ফাওবদা ইরানগী প্রসিদেন্টনা ফ্রান্সতা চৎপা অহানবা খোঙচৎনি হায়রি।

দিলশিং অদু রৌহানি অমসুং ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ফ্রান্সুআ ওলান্দনা শরুক য়াখিবা থৌরম অমদা সাইন তৌনখিবনি। ফ্রান্সকী কন্সট্রক্সন গ্রুপ বোইগম অমসুং এয়রপোর্ট ওপরেটর ব্রদিপিনা টেহরান এয়রপোর্টকী নৌনা চাউথোক্কদবা শরুকশিং শাগনি অমসুং ভিনামি কৌবা অতোপ্পা ফ্রেঞ্চ ফার্ম অমনা ইরানগী মাশাদ অমসুং ইমপাহন এয়রপোর্টশিংগী অনৌবা টর্মিনেলশিং দিজাইন তৌদুনা শাগনি লোয়ননা ওপরেট তৌগনি হায়রি।

ফ্রান্সকী থাওগী কম্পনি টোটলনা হায়খি, মদুদি কম্পনি অসিনা ওপেক্কী থাও পুথোকপা লৈবাক অসিদগী শুংদোক্ত্রিবা ইরানিয়ন থাও বেরেল ২০০,০০০ লৈগনি।

নাকল অনীগী মরক্তা সিপ্পিং, হেল্‌থ, এগ্রিকলচর অমসুং ৱাটর প্রোভিজনগী দিলশিংসু সাইন তৌনখি। দিপ্লোমেটকী মরীদা উংখৎনবা কয়া লৈদুনসু লৈবাক অনীনা দিলশিং অদু সাইন তৌনখিবনি।




Phicomm Mobiles which was available only at ONLINE STORES, now available at the market.

PHICOMM
(( YOUR PORTAL TO SMART LIFE ))

Launching
Phicomm Clue 630

4G Roaming Support
Speed up with the latest 4G LTE
Support Dual Micro SIM.
Support Mobile Data Service While Calling On The Phone.

4G

Only at Rs. 5699/-

* Android 5.1(LOLLIPOP)
* Ultra Compact, Ultra slim
* 5" FWVGA Display
* Qualcomm Quad-Core, Snapdragon Processor
* 5MP FF + 2MP
* 1GB DDR3 RAM+8GB ROM (Expandable to 64GB)

2300mAh

HL-B/2895/13/01-12/02



PUBLIC SCHOOL
NINGTHOUKHONG

ADMISSION OPEN FOR THE SESSION - 2016
( NURSERY TO X)

- Imparting Advance Education From Experienced, Dedicated & Dynamic Teachers
- Extreme Focus on National & International Level Competitions.
- Based on High Moral Discipline to achieve "leading by Example"
- Strong Ambition to "Impart Quality Education For a better Society"
- Brainobrain International is Introduced for children's Brain Skill Development
- Standard BOARDING Facilities for Boys & Girls (Class III-X)

Seats are limited

Classes commencing from 28th January, 2016
For detials pliz contact : 09856477527, 8415839030, 9856835356

HL-B/2915/22/01-6/02



ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN - FOUNDATION COURSE FOR CLASS I to X (Starts on 7th January 2016)
BOARDING FOR CATHOLIC SCHOOLS, HERITAGE, IBOTONSANA, T.G., REGULAR, IPS, STANDARD ROBERT, ETC.
FACULTY : RESOURCE PERSONS & FORMER HEAD - EXAMINERS
Time : 4.30 p.m. to 7.30 p.m.

TOPPERS '2013

1st Position MIRANDA M. | 3rd Position RATIMANJURI | 5th Position MIRANDA | 6th Position SYDENY TH. | 14th Position VIVEK A. | 15th Position REMA NAOREM | 16th Position SADA SALAM | 16th Position CHITRA KH. | 22nd Position BIDYALUXMI | 24th Position JAYALUXMI | 24th Position PRESCILA RK.

TOPPERS '2014

3rd Position LUHIYA NG. | 6th Position NEERA S. | 9th Position KHONEESH N. | 9th Position HARISON Y. | 12th Position KAILASH KUMAR N. | 13th Position L. DENILSON | 16th Position KH. PRAVIN | 18th Position BONNIE W. | 20th Position KELVIN M. | 21st Position MALEMNGANBA | 23rd Position INDERKUMAR

TOPPERS '2015

2nd Position G. Gopal Krishna | 3rd Position Ng. Victoria | 4th Position S.Shivaranjani | 7th Position RK. Babysana | 9th Position Ksh. Monica | 11th Position Thangminlal H. | 20th Position Bilson Oinam | 21st Position Gita E. | 21st Position S. Saya Devi | 22nd Position N. Nonibala | 23rd Position Jasmine H.

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN SERVICE AVAILABLE
ALL CLASSES ARE STRICTLY MONITORED BY CCTV
:-9856988840 / 9863265726
9863222153

HL-B/2893/12/01-10/03(Alt)


## EMPLOYMENT NEWS

### SUB-INSPECTOR STENO VACANCY IN CRPF

Last date 1st March-2016

Recruitment of Assistant-Sub-Inspector - ASI (Steno) in Central Reserve Police Force

Online Applications are invited from Indian citizens to fill up the following vacancies in the rank of Assistant Sub Inspector -ASI (Steno) in Central Reserve Police Force. :

Assistant-Sub-Inspector (ASI) - Steno : 225 posts (UR-75, OBC-74, SC-46, ST-30) (Ex-SM-4), Age : 18-25 years as on 01/03/2016, Pay Scale : Rs. 5200-20200 Grade Pay Rs. 2800/-, Qualification : Intermediate / 10+2 or equivalent

Application Fee : Application fee of Rs. 100/- to be paid through SBI in the form of Challan or Online payment. No application fee is required to be paid by SC/ST candidates, Ex-Servicemen and Women candidates.

***How to Apply*** *: Apply Online at CRPF website from 30/01/2016 to 01/03/2016 only.*

For complete detail of the advertisement for information and online Application Form, please visit http://crpf.nic.in or at http://www.crpfindia.com

### LDC VACANCY IN ICAR NEH REGION

Last date 20th Feb-2016

Applications are invited from eligible candidates for the following vacancies of Lower Division Clerk (LDC) :

Lower Division Clerk (LDC) : 09 posts, Pay Scale : Rs. 5200-20200 grade pay Rs. 1900/-, Age : 18-27 years

Application Fee : Rs. 200/- in the form of crossed Indian Postal Order only drawn in favour of Director, ICAR Research Complex for NEH Region, Umiam. Application fee for SC/ST/PWD(PH) and women candidate is Rs. 100/- only.

***How to Apply*** *: Applications should be send on or before 20/02/2016 to the Director, ICAR Research Complex for NEH Region, Umroi Road, Umiam – 793103, Meghalaya.*

### SCIENTIST VACANCY IN SSS-NIBE FEB-2016

Applications are invited for filling up of following posts from the eligible candidates in the Sardar Swaran Singh National Institute of Renewable Energy(SSS-NIRE) on Direct Recruitment / Deputation / Transfer on deputation basis :

Scientist F (Deputy General Manager) : 05 posts, Pay Scale : Rs. 37400-67000 GP Rs. 8900/-

Scientist D (Additional Director) : 05 posts, Pay Scale : Rs. 15600-39100 GP Rs.7600/-

Scientist C (Deputy Director) : 06 posts, Pay Scale : Rs.15600-39100 GP Rs.6600/-

***How to Apply*** *: Applications on plain paper giving particulars in the Performa given below enclosing attested copies of certificates may be sent in the name of Director General, Sardar Swaran Singh National Institute of Bio-Energy (SSS-NIBE), 12th K.M. stone, Jalandhar-Kapurthala Road, Wadala Kalan, Distt. Kapurthala - 144601 (Punjab), so as to reach him within six (6) weeks from the date of publication of the advertisement in Employment News.*

Please view http://www.nire.res.in/careers.php for details and application format.

### DEPUTY ENGINEER VACANCY IN BEL HYDERABAD

Last date 20th Feb-2016

Bharat Electronics Limited, India 's premier Navaratna Defence Electronics Company requires outstanding experienced Engineers professionals for its Hyderabad Unit in Deputy Engineer (E-II) Grade :

Deputy Engineer : 09 posts on short term basis for a period of 5 years, Pay Scale : Rs. 16400 - 40500, Age : 27 years as on 31/03/2016., Qualification : BE/ B.Tech. in Electronics & Communication disciplines.

***How to Apply*** *: Candidates applying for the above posts should send their applications to the Deputy General Manager (HR), Bharat Electronics Limited, Industrial Estate, Mallapur, Nacharam Post, Hyderabad - 500076 on or before 20/02/2016.*

Please visit http://www.bel-india.com/?q=recruitment for more information and application format.